## ৱার্ল্ড ভিজন ইন্দিয়ানা কান্নবা ফঙহনখ্রবশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৩ ঃ
ৱার্ল্ড ভিজন ইন্দিয়া, ইম্ফাল রেষ্ট এরিয়া প্রোগ্রামগী মখাদা মখল কয়াগী কান্নবা ফঙহনবা বেনিফিসরিশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখি কনফিদেন্স বিল্ডিং, টেক্নিকেল স্কিম অমদি বেঙ্ক লিঙ্কেজগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

ৱার্ল্ড ভিজন ইন্দিয়ানা নেপ্রা মেঞ্জর পুষ্টি মপাল যুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ৱার্ড নম্বর ১০গী কেপোরেটর সলাম তিকেন সিংহ অমদি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা মথং শীংনা অথোইবা মীথুং অমদি থৌরম মপু ওইখি।

থৌরম অদুদা পীপলস দিভলপমেন্ট সোসাইটি, ন্যু চেক্কোনগী চীফ এক্সিকিয়ুটিভ ওফিসর টিঐচ বিরমঙ্গল, দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলগী প্রোজেক্ট মেনেজর ও মিনোদা দেবী, নেসনেল কো-ওপরেটিভ য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ৱুমেন প্রোজেক্টকী প্রোজেক্ট ওফিসর বি জয় শ্রীদেবীনা টেক্নিকেল রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা ৱা ঙাংলদুনা বেনিফিসরিশিংবু মশানা মশাবু থাজহনবগা লোয়ননা মরী লৈনবা হীরম কয়াগী লৌশিং ফঙহনখি।

ৱার্ল্ড ভিজন ইন্দিয়াগী কো-ওর্দিনেটর দিভলপমেন্ট ফেসিলেটর ওইরিবা এল মাইকেলগী মতুং ইন্না উরিপোক, থাংমৈবন্দ, শগোলবন্দ অমদি নাওরিয়া পাখঙলাকপা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদা তোঙান-তোঙানবা লৈকাইশিংদা ভিজন অসিগী কান্নবা ফঙহনখ্রে।

শগোলবন্দ মায়কৈ খঙ্গাগী ওইনা নেপ্রা মেঞ্জর লৈকাই, নোংমাইথেম লৈকাই, তেরা সাপম লৈরক, কুরাও মখোঙ ওইনা তাকয়েল খোঙবালগী বেনিফিসরি ৭৩দা ফিরোল শাবগী য়োংখম, ফিলোনবগী মেছিন, গ্রোসরি, হোটেল অমদি মনা মশিং য়োনবগী মচাক মথুমশিং ফঙহনখ্রে।

মখা তানা ২০১৯গী ওইনা মায়কৈ অশোমগী বেনিফিসরি ৬৬সু খনগৎনবা শেম শারী হায়রি।

## ৱার্ক্লোপ য়াওবা অঙাং অহুম তমথিনা ফুবদগী লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৩ ঃ
থা অসিগী ৭কী নুমিদাং পুং ৮ রোম তারকপা অদুরাইদা ৱাইখোঙ বাজারদা লৈবা গান্ধী ৱার্ক্লোপতা গারী শেম্বা য়াওবা অঙাং অহুম তমথিনা ফুবদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লমজাও অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই ইবেনিনা হায়, লমজাও ময়াই লৈকাইদগী বেদান্তা কৈশাম (১৫) অপোকপা কে ভুমেশ্বর, থাংমৈবন্দগী সঞ্জ গর (১৪) অপোকপা রাজু গর অমদি অজয় সোরোখাইবম (১৪) অপোকপা এস বসন কৌই। মখোয় অহুম অসি চহী অসিগী জুলাই থাদগী ৱাইখোঙ বাজারদা লৈবা গান্ধী ৱাকসোপতা গারী শেম্বা য়াওহনগনি হায়না পুম্বগা ৱার্ক্লোপ অসিগী পোৎ চৈ হুরানবগী নামাদা ৱার্ক্লোপ মপু য়াওনা তমথিবা ফুবা য়ানিংদে। চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু মমা মপাদা খঙহল্লমদনা তমথিনবা ফুবা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং মতিক চাবা দন্দি পীয়ু, লোয়ননা শোক্তুনা লৈরিবা অঙাং অহুমদা সরকারগী মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## জিতেশ্বর অমদি সতিসকী অশিবা হকচাং শিন্নগদবনি হায়দুনা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চখরি




ইম্ফাল, আগষ্ট ২৩ঃ
গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাঙজম সতিসকী অশিবা হকচাং শিন্নগদবনি, মখোয় অনী য়াওনা মীওই ৫ লোয়া হাংখিবদা চেনবশিং দন্দি পিয়ু হায়দুনা ঙসি নোঙাদাংথোংখোং অমদি খুরাই নান্দৈবম লৈকায়দা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

জেএসি এগেন্টস কষ্টদিয়েল কিল্লিং ওফ গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা, থাংজম সতিস, থৌনাওজম প্রেম, আরকে রনেল এন্দ ফিজম নাওবী বাই থ্রি সিআইএসয়ু, ইন্দিয়ান আর্মি হায়রিবা জেএসিগী নোঙাদা থোংখোং অমদি খুরাই নান্দৈবম লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংগা পুল্লগা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অদু চঙশিনখি।

ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অদুদা গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাংজম সতিসকি অশিবা হকচাং শিনগদবনি, জি জিপসি, টিঐচ সতিস, টিঐচ প্রেম, আরকে রনেল অমদি পিঐচ নাওবীগী অরোনবা মীহাৎ গভর্ণমেন্টনা সিবিআই নৎত্রগা এসআইটি শেমদুনা থিংহনগবনি, মীহাইশিং অসিদা চেনরিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী থ্রি কোর্পস ইন্টিলিজেন্স সর্ভিলেন্স য়ুনিৎ (সিআইএসয়ু)শিং অথুবা মতমদা আইনগী ওইবা চৈরাক পিগদবনি, অফস্পা অমদি অমুবা আইনশিং মুথৎকদবনি অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টদা অরোনবা মীহাৎ অসিগী ৱায়েল পুথোক্নবা হায়গদবনি অমদি এক্সত্রা জুদিসিয়েল এক্সিকুসনদা চেন্নরিবা আর্মিগী ওফিসারশিং অমদি মখোয়গা লোয়নরিবশিং অহকপা চৈরাক পিয়ু হায়দুনা খোল্লাও ওইনা লাওখি।

## ১০০ মুভি প্রদক্সনগী অনীশুবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ‘‘মীরেম’’ গী প্রেস সো উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ঃ
১০০ মুভি প্রদক্সনগী অনীশুবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ‘‘মীরেম’’গী প্রেস সো উখ্রে। চাওরাক্না পুং ২গা মিনিট ১৫মুক শাংবা ফিল্ম অসিদা এ কে য়াঙ্গোই, সুরমা অমদি দিভিয়ানা শকপা সোং সেক্কুয়েন্স য়াওরি।

ফিল্ম অসিদা কাইকু, দয়ানন্দা অমদি আর কে রাঞ্জু দেবীনা মরুওইবা শক্তম লাংবশিং ওইরিবা ফিল্ম অসিদা মমি তাইবংগী শক্লাইরবা শ্যামধনি, ইধৌ, প্রকাস, তয়েনজম মেম্মা, থোই থোই, রতন লাই, কেঐচ লোয়ালাকপনচিংবা কয়ানা মরুওইবা রোলশিংদা এক্ট তৌরি। ফিল্ম অসিগী দাইরেক্টরনা অমরাজ নি। ষ্টোরি অমদি স্ক্রিনপ্লেনা রাজেস হিজম না ওইরি ফিল্ম অসিগী প্রদক্সনা আর কে রোমিও (কোকোক) নি।

থা অসিগী ২৬তা পেলেস কম্পাউন্দ দা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিপভলমেন্ট সোসাইটি (এমএসএফদিএস) কী ওদিটোরিয়মদা প্রেমিয়র সো উৎলগনি।

সোসিয়েল প্লেদা য়ুমফম ওইদুনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অসিনা রাজ নিটিবু কারবার অমগুম খনবা লুচিংবা শাবা খরগী অরানবা থৌওং কয়ানা মতুং তারকপা তুংইনবা কয়াদা লান্না চৎখিনবগী মচাক ওইরকপা। লোয়ননা তশেং-তশেংনা মীয়ামগী মতেং পাংজ নিংবা অশেংবা সোসিয়েল ৱার্কর অমবু ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ‘‘মীরেম’’ অমগুম লৌনরি হায়রিবা অসিনা ফিল্ম অসিগী শমলপ্পা ৱারী ওইরি।

## মেমি মীহাৎতা চেন্নবশিং মীয়াম খঙনা মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৩ ঃ
চৎলিবা থা অসিগী ১৭তা ইরিল তুরেলদগী বোরা খাও অমদগী শিনা ফঙখিবা ইকৌ বাজারদগী পুখ্রিহোংবম মেমি (২৬) হাৎপদা চেন্নবশিং মীয়াম খঙনা মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি হায়না মীশি অদুগী মায়োক্তা শেমখিবা জেএসিগী প্রসিদেন্ট লোংজম বসন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়, মেমি মীহাৎ থিনা হাৎতোক্লগা বোরা খাওদা হাপচিন্দুনা ইরিল তুরেলদগী ফঙবা ঙমখিবনি। থৌওং অদুবু ইকৌ য়ুথ ক্লব, ইকৌ মৈরা পায়বী অমদি লমদম অদুগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং মীয়াম খঙনা চৈরাক পীগদবনি। করিগুম্বা সরকারনা থৌৱা শাদনা লৈথোক্লবদি মখা তাবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কংলৈ ইমা লূপ (কিল)না মীহাৎ অদুবু পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। কিলগী সেক্রেটরী এস মেমচা লৈমনা থাদোরকপা চেরোলদা হায়, তমথিবা মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা খুদিংমক মীয়াম খঙনা অথুবা মতমদা শিবগী চৈরাক পীগদবনি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মীওইশিং আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক পীদবনা মখা তানা চত্থরকপনি হায়বগী ৱাফম থম্লদুনা নুপীবু করিসু লৈতনা খনবা শা-ঙানা চৎকদবা লিচৎ চৎপশিং শিবগী চৈরাক পীবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ ওইরোই। লমদমসিদা নুপী অঙাংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি লেপ্পা নাইদে অসিগুম্বা তানফম অসিদা নুপী ওইবীশিংনা হেক হেক কাউথোকপা হায়বসিসু লাইবক থিবনি।

পুখ্রিহোংবম মেমিগী জেএসিনা অমদি মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা কিলনা শরুক য়াগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা নুপী কয়ানা নুংশিন্নরিবনি হায়দুনা লমলানবা অমদা থম্মোয় পীথোকপগী চৎনবী অসিনা ঙসিদি নুপীশিংবু অৱাফমদা তাহন্দবা নত্তে। কাংলূপ অমনা অতোপ্পা কাংলূপকী নুপী কোইনবা হোৎনবদা লৌনম লাংদা থুনবা শান্নরিবা অখুবা ৱাখল্লোল অদু মতম চারিঙৈদা থাদোকপা মতম ওইরে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ঙ ৱুমেন হেল্প ওর্গনাইজেসননসু মেমিগী থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা নুংশি মরী থমদুনা চেল্লগা ময়ুমদা পুশিল্লগা হাৎপা হায়সি মীওইবগী লিচৎ নত্তে হায়রি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী চেরোল অমদা হায়, নুপী চেনবা মতমদা ইমুং মনুং খঙফম থোকপনি। অদুবু মেমি হাৎপদা চেন্নবা, লৌতুনবা, গেঙ রেপ তৌরগা হাৎপা হায়বসি মীওইবগী লিচৎ নত্তে। চেল্লবা নুপীবু হাৎলগা ইমুং মনুংনসু তুমিন্না লৈথোকপা অসিগুম্বা অঙম অঙম্বা শেৎতুনা চান্নবা অসিসু অফবা নত্তে। অদুনা অথুবা মতমদা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবশিং আইনগী মতুং ইন্না শিবগী দন্দি পীগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

## মণিপুরগী ইশু পার্লিয়ামেন্টতা সিপিআইগী এমপি...

সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মীহুৎনা শীন্দুনা মপানগী সিপিআই এমপি অমদা পুখৎহনখিবনি। ঙসিদি ভারত্তা লৈরিবা রাজনিতিৱালাশিংনা পলেপ্‌ফম লৈতনা পঙহোংদা হোংবনা প্রজা মীয়াম্না থাজরক্তবদগী ইশু কয়া অসি থোরকপনি।

ঙসিদি রাজনিতি অসি ফাগি তারক্লে, শেন্দাল লম্বী ওম্থোক্লে। মসিদা সিপিআইনা হোংবা নাইদবা অরেপ্পা থাজবা অদু মাঙদনা লৈহন্নবা পার্টি অসিনা লেপ্তুনা লৈরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিদি ঐখোয়না হায়বা য়াগদবনি হায়বা নম্ফুগী সাসন অমা বিজেপিনা লুচিংবা সরকার অসিনা পুরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোক কয়া থোকহল্লি। মসিদগী ঙাকথোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক হনবা লৈতনা সিপিআইনা থেংনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা পার্টি অসিগী চহী ৮০গী থক্তা লৈবা মীওইশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবগা উৎখি অমদি লৈখিদ্রবা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংদসু হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

সিপিআইগী লুচিংবা মোইরাংথেম ইবোহল, মাইবম কদম্বীনি, এসি শর্ম্ম, পার্টি অসিগী সেক্রেটরিয়েট মেম্বর লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারসু থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## বিজেপিগী এমএলএ, মিনিষ্টরশিংদা মণিপুর নুংশিবগী...

পার্লিয়ামেন্টতা রিপোর্টসু পীখৎত্রিঙৈদা ষ্টেট অসিদা কংগ্রেস পার্টিনা পঙহায়দা হায়জিন্দুনা তোকঙা শন্দোকপীগনু।

মহাক্না মখা তানা হায়, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হনবা ঙল্লোই। মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা কায়গদবা লৈতে। বিজেপিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অসিদা য়াওরিবা এমএলএ, মিনিষ্টরশিং মরৈবাক নুংশিবা খঙই। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা হেন্না মরৈবাক নুংশিবা নত্তে। বিজেপিনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কায়হল্লোই হায়রবদি লাইগুম লাৎপীগে হায়বদু কংগ্রেসনা বিজেপিবু লাই লাৎপগুম লাৎকদবা কুইদ্রবনি হায়খি।

মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়, এদুকেসন য়াওদ্রবা খুন্নাই অদু চাওখৎপা খুন্নাইনি হায়বা য়ারোই। অন্দ্রো কেন্দ্র হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হেন্না ফবা এদুকেসন সিষ্টেম অমা পুরক্নবা হোৎনগনি হায়খি।

কেন্দ্র অসিগী স্কুল কয়াগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহন্নবা হোৎনগনি। মসিগা লোয়ননা অফবা স্কুল বিল্ডিং লৈহন্নবা হোৎনখিগনি। অৱাৎপা ওজা কয়া হাপচিন্দুনা ক্বালিটি এদুকেসন পুরক্লবা হোৎনগনি। অন্দ্রো কেন্দ্রদা গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল ৬ লৈরি। মসিদগী হেন্না মশীং হেনগৎনবা হোৎনরি। মসিনা প্রাইভেট স্কুলদা শেল তিংনবা চৎপদগী হন্থহনগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা অন্দ্রো কেন্দ্র মনুংগী লম্বী পাকথোকহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু। কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং অপগ্রেদ তৌদুনা অফবা ঈশিং ফঙহন্নবা হোৎনগনি। মীপুম খুদিংমক্না অফবা ঈশিং ফংহন্নবা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙলি হায়না শ্যামকুমারনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা তুলিহল জেদপিগী মেম্বর ইনাওমচা দেবী, তোপ চিংথা জিপিগী প্রধান য়ুম্নাম তোম্বনচিংবসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## লৈঙাক্কী ফিরেপ মীয়ামদা লাওথোকউ ঃ য়ুসিএম

চঙশিন্দুনা লাকপগা লোয়ননা অমত্তা ওইবা ৱারেপ অনী লৌরে।

মদুদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এনএসসিএন আইএম অনীগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মণিপুরদা করিগুম্বা মখল অমত্তদা খূৎ থিংজিল্লকপা লোয়ননা অকায়বা পিরকপা য়ারোই।

অথুবা মতমদা এসেমব্লি মীফম কৌদুনা মণিপুর এমএলএ ৬০না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এনএসসিএন আইএমনা মণিপুরদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অকায়বা পিনবা হোৎনরকপা য়ারোই হায়বা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা করিগুম্বা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা তারগদি মণিপুর ইন্দিয়াদগী তোখায় তারগনি হায়বা ৱারেপসি এসেমব্লি হাউসকী মেম্বর ৬০ অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌবিয়ু। মদু নৎত্রগদি মণিপুর মীয়াম্না এমএলএ ৬০গী মথক্তা জুন ১৮দগী হেন্না কনবা ইহৌ অমা চংশিল্লগনি।

এসেমব্লিগী ৱারেপ অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট করিগুম্বা তাদ্রগদি এশেমব্লি লৈরুবগী মথৌ তাদ্রে হায়না লৌবগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা ফিরেপ লৌরগনি হায়না অথৌবনা মখাতানা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা খোঙজং লোইশিংনা মণিপুরদা কাংলূপ নাইবা থৌশিল চৎনবা য়ারোই, লৈঙাক্কী ফিরেপ লাওথোকউ, নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন মণিপুর মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্ট কাম্থোক্লগা পুরকপা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিং লাওখি।

## রিমসতা নুপা অমগী ককথৎলুরবা প্রাইভেট পার্ট মায় পাক্না শমজিন্নহনখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৩ঃ
রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস হোস্পিটালদা ককথৎতুনা তোঙান তারুরবা মীয়াই চল্লবা নুপা অমগী প্রাইভেট পার্ট লায়েংশঙসিগী প্লাষ্টিক সর্জরি দিপার্টমেন্টকী ডাক্তরশিংগী টিম অমনা পুং ৪ রোম চঙনা ওপরেসন চত্থরবা মতুংদা মায় পাক্না শমজিন্নহনবা ঙম্লে হায়রি।

মেদিকেল শুপরিন্টন্দেন্ট প্রো. দিঐচ অরুনকুমারনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, থৌদোকসি থাসিগী ২০গী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা থোকখিবনি হায়রি।

মশাগী চহী ৫৭ লোম শুরবা সাইক্রিয়াটিক পেসেন্ট অমসু ওইরিবা মীওই অসিনা মহাক্কী প্রাইভেট পার্ট অসি থাঙ অথৌবা অমনা লেন্থৎতুনা ককথৎচখিবনি হায়রি।

থৌদোকসি থোকপগা মনাক নক্না লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমদা লায়কন্ননবা পুখৎখি। অদুবু ঈ কা হেন্না চৎপদগী রিমসতা রিফর তৌরক্তুনা পুরকখিবনি। মহাকপু হোস্পিটালসিদা পুরকপদা নুমিদাংগী পুং ৭ লোম তাখি। অদুবু কেজ্যুয়েলিটিদা এদমিট তৌরবা মহাকপু খুদক্তা প্লষ্টিক সর্জরি দিপার্টমেন্টকী ডাক্তরশিং কৌদুনা য়েংহনবদগী তৌফম থোকপা লায়েংশিং পন্থদনা পায়খৎপা হৌখি হায়রি।

ডাক্তরশিং অসিনা তোঙান তানা ককথৎলবা প্রাইভেট পার্ট অসি অমোৎ অকাই পক্ত্রিবনিনা মাইক্রো সর্জিকেল এনাষ্টোমোসেসশিং আর্টরি অমদি শিংলিশিংদা পাঙথোক্লগা অমুক শমজিন্নহনবা য়াগনি হায়বগী ফিভম উবদগী নুমিদাংগী পুং ৮ তারকপদগী পুং ৪ চুপ্পা চত্থখিবা ওপরেসনদা মায় পাক্না শমজিন্নহনবা ঙমখিবনি হায়রি।

হকচাংগী পার্ট অনীসি শমজিন্নহনবদা য়ুরিনেল চেনেল ওইরিবা য়ুরেথ্রা শেংদোক-চামথোকখি। অদুগা তোঙান তানরবা পার্ট অনীগী ঈ পুবা শিংলিশিং মশক খঙদোক্নবা খায়দোক্তুনা থিরবা মতুংদা ওপরেসন অসি মায় পাক্না পাঙথোকখিবনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## ষ্টেটকী থাক্তা খূনুং ঈশৈ চাংদম্নবা...

শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি ইকাই খুম্নরবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

মঞ্জিৎ সরাংথেমনা হায়, লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা মমা লৈবাক মরমদম মজাতিবু নুংশিবগী ইহুল অমদি মমা লৈবাক্কীদমক্তা থবক তৌবগী চাং অসি ময়েং তারক্লি। মরম অদুনা নহারোলশিংদা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিবগী ৱাখলল্লোল চেলহনবা মথৌ তাই। ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা লমদম অসিগী নাৎ অমদি কলচর অসিবু মশক খঙমিন্নবা এমসুনা চঙশিল্লিবা ‘নো য়োর মণিপুর’ হায়বা কেম্পইনগী শরুক অমা ওইনা খুনুং ঈশৈবু হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা খঙহন্নবা ৱাখল্লোলদা চাংদম্নবসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শক্লাইরবী খূনুং ঈশৈ শৈশকপী লৌরেম্বম বেদপতি, ফ্লোক শৈশকপা গুরু রিয়ুবেন মঙশাঙম্বা অমদি খুনুং ঈশৈ শৈশকপা গোসে মৈতৈনো জুরি ওইদুনা পাঙথোকখি। লোয়ননা চাংদম্নবা অদুদা মীওই ৩০ রোমনা শরুক য়াখি।

## কাংপোকপীদা দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস...

ৱা ঙাংখিবশিংনা কংগ্রেস পার্টিকী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মীয়ামগী সেবা হেন্না তৌবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না অপিল তৌখি। এমপিসিসি প্রসিদেন্ট টিএন হাওকিপনা হায়, কংগ্রেস সরকারনা হোৎনবদগী সদর হিলসবু মপুং ফনা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরে। অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অমগী লৈফম থোকপা অৱাৎ অপা খূদিংমক লৈহন্নবা হোৎনমিন্নসি। ফত্তবা মীদি ঈশ্বরনসু য়াদে, অদুগা ফত্তবা পার্টিদি ঈশ্বরনা শোইদনা খূৎ থারক্কনি হায়বসি খঙমিন্নসি হায়নসু মহাক্না অপিল তৌখি।

এমপিসিসিগী জেনরেল সেক্রেটরী আরকে ইমোনা অপুনবগী থৌদাং কয়া লৌমিন্নরম্বা পার্টি থাদোক্তুনা চৎখ্রবশিংবু নুংঙাইতবা থমদনা কংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

কেঐচ দেবব্রতানা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিগী ওফিস অমা হাংদোকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসি হেন্না খূৎমাং চাওশিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

## নাগা পীছ প্রোসেসতা কায়হনগদবা এসেমব্লীদা নাগা মীহুৎশিংনা শরুক...

নাগাশিংগী ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিব, পোলিটিকেল লিদর নৎত্রগা পার্টি নৎত্রগা তৌফম থোক্তবা অমদি অয়াবা পীদবা লান্নাই মীওই নৎত্রগা কাংলূপ অমত্তনা নাগা পিছ প্রোসেসপু অকায়বা পীগদবা এসেমব্লী নৎত্রগা মীফম অমত্তা শরুক য়াবা য়ারোই হায়রি।

কনাগুম্বনা নাগা পোলিটিকেল প্রিন্সিপাল অসিবু থওইদদুনা শরুক য়ারম্লবদি মখোয় অদু এন্টি নেসনেলনি হায়না লৌবগা লোয়ননা নাগাগী লমদা চঙবদা অথিংবা থমগনি হায়নসু দিক্লারেসন অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্টার...

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কম্ম্যুনিতিনা চত্থরকখিবা ষ্ট্রাইক অদু লেপখিবগা লোয়ননা ঙসিদগী হৌনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপার্টমেন্ট পূম্নমক হাংদোক্তুনা মথৌ তৌবা হৌখ্রে।

মরক অসিদা ঙসি সবজেক্ট ৪গী সেমিষ্টর এগজামগী ফল লাউথোকখ্রে। ফল লাউথোখিবশিং অদুদি মণিপুরী থার্দ সেমিষ্টর, ইংলিসকী ফার্ষ্ট অমসুং থার্দ সেমিষ্টর, সোসিওলোজিগী ফার্ষ্ট সেমিষ্টর অমদি ফিলোসোফিগী ফার্ষ্ট সেমিষ্টরনি হায়রি।

## জেদয়ুএফকী লিদর ৩ ইম্ফালদা...

পনবা য়াবদি মেঘলয়া পুলিসনা সেক্রেটরী অসিবুনা সিল্লোংদগী ফারগা চেয়ারমেন অমসুং ইনফোর্মেসন সেক্রেটরীনা গুৱাহাতি তম্না বস তোংলগা চৎলিঙৈদা জেৱাইগী মফম অমদগী ফাখিবনি।

## অশিবা হকচাং লৌখৎলে, শিন্নখ্রে

অদুবু লৈখিদ্রবগী ইমুংগী মায়কৈদগী মহাক্কী মীশিগী মতাংদা পুলিসতা রিপোর্ট তৌ য়াদবদগী পোষ্ট মোর্টেম ইগজামিনসেন তৌদনা ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখিবনি হায়রি।

## লোনগী নুমিৎ পালন তৌবগা লোয়ননা চাওখৎহন্নবা হোৎনরসি

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৩ ঃ
মণিপুরগী লোনবু ভারত কন্সটিট্যুসননা শক খঙখিবা নুমিৎ আগষ্ট ২০ মণিপুরী লোনগী নুমিৎ হায়না পাক শন্না থৌরম পাঙথোক্করি। লোন অসিনা মালেমদা কল্লিবা মফম অমদি ফঙলিবা ষ্টেটস অসি অইবা, অশৈবা, সাহিত্যগী লূপশিং, মহৈরোই লূপশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হোৎনবদগী ওইহল্লকখিবনি।

সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরীনা থাদোরকখিবা চেরোলনা হায়রিবদি ইতিহাসকী ইচেলদা মণিপুরনা ইন্দিয়া য়ুনিয়নদা তিনখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী লোন, লৈঙাক, শেল-থুম অমদি কলচরবু ইন্দিয়ান লৈঙাক কাংলূপনা মতম শাংনা নমথদুনা থম্লকখি। অসিগুম্বা ভারত লৈঙাক্কী লোই লৈঙাক্কুম্বা মচৎ অসিবু শীংদুনা মণিপুরীশিংনা ষ্টেটহুদ পীনবা অমদি মণিপুরী লোন কন্সটিট্যুস্নেল রিকোগনেসন পীনবা মতম কুইনা মখল মখাগী ষ্ট্রগল তৌখি।

মান্নবা খুন্নাই, মণিপুর কনবা, মণিপুরী নেসনেলিজম অমসুং অপূনবা শক্তমগীদমক মপুন্সি কখোকখিবা লূচিংলেন হিজম ইরাবতকী মার খোঙ্গুল লিদুনা লাকখিবা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সিপিআইনা মণিপুরী লোন অমদি ময়েক্কীদমক অঙম্বা থৌগাই পাঙদুনা লাকখি। অহানবা পার্লিয়ামেন্টদগী হৌনা লোন অসিবু কন্সটিট্যুসনগী নিপাল শুবা সেদ্যুলদা চন্দুনা পুক্কে চোল্লবা লোন অসিগী ফীদা লৈবাক অসিদা পীন্নবা হনবা লৈতনা সিপিআইনা তকশিনখি। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী লোন ওইনবা ষ্টেট এসেমব্লী অমসুং সরকার মনুংদা সিপিআইনা থেংনরকখি। পার্লিয়ামেন্ট, এসেমব্লী অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মনুংদাতা নত্তনা পার্টি অসিনা মপান্দা মহাক্না নক্কনা চৎলিবা মাস ফ্রন্টশিংগা পুন্না কেম্পেইন অমসুং মুভমেন্ট কয়ামরুম চঙশিল্লকখি।

১৯৯০গী অঙনবা চহীশিংদা সেন্টরদা লৈরম্বা শ্রী নরা সিমহা রাওগী লৈঙাক্তা মণিপুরী লোনবু কন্সটিট্যুস্নেল রিকোগনেসন পীননবগীদমক চঙশিনখিবা অকনবা ইহৌদা মাংজিল থাখিবা ‘অপুনবা মণিপুরগী লোন তকশিনবা লূপ’ কী কনভেনর মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসনগী লুচিংবা ডা. পুয়াম খোগেননা ওইখি। লূপ অসিনা দিল্লিদা পালিয়ামেন্ট সেসন ফম্লিঙৈ মনুংদা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী এমপি ২০০গী মথক্তা সিগনেচর খোমদুনা মতম অদুগী পিএম নর সিমহা রাওগী মফমদা মণিপুরী লোন নিপাল শুবা সেদ্যুল চলহন্নবা তকশিনবদা চাওরবা ইনোৎ অমা পীহনখি। লোয়ননা জমিয়া মীলিয়া য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোনগা মরী লৈনবা অচৌবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মসিগী মথক্তা বোট ক্লবতা ১৯৯১গী মার্চ ২৭ অমসুং এপ্রিলগী অহানবা চায়োলদা ৱাকৎ মীফম চত্থদুনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এমপি কয়ামরুম্না মণিপুরগী লোনবু সেদ্যুলদা চননবা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোকহনখি। অসুম্না ইতিহাসিক ওইবা মওংদা বোট ক্লবতা চত্থখিবা সিট ইন প্রোটেষ্ট অমদি জমিয়া মীলিয়াগী মেগা দিস্কসন অদু অপূম্বা মণিপুরী লোন তকশিনবা লূপ, মণিপুরগী লোন দিমান্দ কমিতি অমদি মসাদনা পুন্না শিনখি। নুমিৎ কয়ানি চঙনা এমপি কয়ামরুমগী সিগনেচর খোম্বগী থবক, দিল্লিদা চত্থখিবা প্রোটেষ্টশিং অদু সিপিআইনা মপুং ফানা শৌগৎখি।

মণিপুরগী লোনগী নুমিৎ অসি অদুঙৈ খৃষ্ট ১৯৯২গী আগষ্ট ২০দা য়াম্না হিসটোরিক ওইবা মওংদা তিবেতোন বর্ম্মনগী মনুং চনবা ইনাক খুনবা লোন অসিবু ভারতকী কন্সটিট্যুসন শকখঙখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংবনি। লোন অসিনা সেদ্যুল য়াওরকপসি চহী ২৬ মপুং ফারক্লবনি। অদুবু সেদ্যুল লেঙ্গোইজ অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদি সেদ্যুলদা য়াওদ্রিঙৈদা ওইখিবা ফিভমগা থোইনা খেন্নবা লৈতে হায়বদা হায়ম্নবা থোক্লোই। হৌজিক ফাওবদা লোন অসিগী মশা মরেং ফন্দোক্লবা লৌখৎপা য়াবা থৌশিল থৌরাং অমত্তা মণিপুর লৈঙাক অমদি ভারত লৈঙাক অনীনা মপুং ফানা লৌখৎপা লৈত্রি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা মণিপুরী লোন অমদি ষ্টেট অসিদা ঙাংনরিবা অতৈ লোনশিংগী ডাইরেক্টোরেট হাঙবসু ইকুই কুইদ্রি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী সেদ্যুল লেঙ্গুয়েজ অসি চাওখৎনবা সাহিত্য একাদেমীগী খূত্থাংদা থৌরাং খরা লৌখৎলকপা নত্তনা সেন্টরগী লেঙ্গুয়েজ দিপার্টমেন্টতগীদি বজেটকা লোয়ননা থৌশিল থৌরাং অমত্তা পায়খৎলকপা থেংনদ্রি। লোয়ননা লোন অসিবু ফিভম ফত্তনা লৈরে হায়না মালেমগী থাক্তা রিপোর্ট পীরিবা য়ুনেস্কোগী মফমদগীদি ষ্টেট লৈঙাক্না মণিপুর লোনগীদমক লোজিষ্টিক অমদি ফাইনান্সিয়েল সপোর্ট লৌনবা খোঙথাং অমত্তা হৌজিক ফাওবা লৌখৎত্রি। মরম অদুনা মণিপুরী লোনগীদনমক লৈঙাক, সাহিত্যগী লূপ, মহৈরোই লূপ অমসুং পোলিটিকেল ক্লাসনা লৌগদবা থৌদাং কয়া অদু পুন্না লৌমিন্নরসি। লোয়ননা লোন অসিবু অৱাঙবা থাক্তা চাওখৎহল্লসি।

লমায় ১ গী মখা

## অটল বিহারি ভাজপায়িগী উৎ ইম্ফালদা পুরক্তুনা...

দিল্লিদগী এয়ার ইন্দিয়াগী ফ্লাইটতা পুরকখি।

এয়ারপোর্টতগী ৱাক্স অমসুং আইপিআরগী মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টর দি হঙখানলিয়াননা ওক্লবা মতুংদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমগা লোয়ননা উৎ অদু ইম্ফালগী মফম খরদা পুদুনা চৎখি। উৎ অদু ইম্ফাল এয়ারপোর্টতগী পুরক্লগা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন ফাওবা লাক্লবা মতুংদা ময়াই লম্বী তম্না চৎলগা পীশুমথোং ফাওরগা শীংজমৈ বাজার ক্রোসিংদা লাক্লগা এনঐচ ৩৯দা মোইরাংখোম তম্না লাক্লগা সেক্রেটরীয়েট মমাঙ ফাওদুনা লাক্লগা বিজেপি ওফিসতা থুংখি।

উৎ অদু বিজেপি ওফিসতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এমএলএশিং অমসুং পার্টিগী ৱার্কর অমদি ওফিস বিয়ারর কয়াসু শরুক য়াখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা বিজেপিগী হেদ ওফিসতগী ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টর তান্না খোঙনা লাকখি।

সিটি কনভন্সেন সেন্টরদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরমদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লা অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা মিনিষ্টরশিং এমএলশিং সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

থৌরম অদুদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা হায়, অটল বিহারী বাজপায়ি অসি লৈবাক অসিগী ফিদম্মিংঙাই ওইবা লুচিংবা অমনি। মহাক অসি কদায় ফাওবা চম্বগে হায়বসি মী অয়াম্বনা খঙলল্লোই। মহাক্কী মফমদা ঙসি ইকাই খুম্নবা উৎলি। অদুবু মহাক্কী মফমদা অশেংবা ইকাই খুম্নবা উৎপা তারবদি দেমোক্রেসিবু ৱাহম্থোক লৈহনবা অমসুং মহাক্না পামজরম্বা লম্বী অদুদা খুদুং ইনবনা ওইগনি।

মহাক অসি অশেংবা ইন্দিয়ান অমনি। মহাক্না মতম চুপ্পদা মশানা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্কনি। মহাক্না ঙসি লৈখিদ্রবা মতুং অসিদা মতম চুপ্পগী ওইনা মহাক্কী মিং অসি অমর ওইদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্না লৈখিদবা মতমদা মশাগী মরল মথুম অমত্তা য়াওদনা চৎখি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, অটল বিহারি বাজপায়ি অসি ঙসিগী ইন্দিয়া অসিগী লময়ানবনি। মহাক অসি শক্লাইরবা অইবা অমসুনি। মহাক অসি লৈবাক অসিগী ফিদম্মিংঙাই ওইরবা লূচিংবা অমনি। মহাক্কুম্বা লুচিংবা অমা মাঙখিবা অসি লৈবাক অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি।

অনৌবা ইন্দিয়া অসিগী হৌজিক চৎলিবা লম্বী অসি লুচিংবা অসিনা য়াৎলম্বনি। মহাক্কী অশেঙবা মশক অসি মহাক্না লৈখিদবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা নুমিত্তা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখিবা অদুনা তাক্লবনি হায়খি।

থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমগা লোয়ননা উৎ অদু পুদুনা লাক্লগা শঞ্জেন্থোংদা পুরক্তুনা ইম্ফাল তুরেলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা থাদখি।